## এডিটোরিয়েল

### চহি মমৈদা কলচর নিংশিংবা

মণিপুর সরকারগী মীৎয়েং মখাদা মতম অমদা অপিকপা ডিরেক্টোরেট অমা ওইনা লৈরম্বা আর্টস এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্ট অসি লৈরিবা ষ্টেট অসিগী কলচরেল হেরিতেজ অমসুং লমদমসিগী কলচরেল পার্ফোর্মেন্স কয়া অসিবু মালেমগী মীয়াম্না শকখঙলকপগা লোয়ননা দিমান্দ কয়া লাকপদগী ঙসিদি মণিপুর সরকারগী মায়কৈদগী মেজর ডিপার্টমেন্ট অমা ওইহল্লগনি হায়না কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখ্রে। মমাঙদা ডিপার্টমেন্ট অসিদা থাদরিবা শেনফম অসি অপুন্বা মণিপুরগী বজেতকী শেনফম অদুদগী য়েংবদা চাদা ১ গী চাং খক্তমক ওইরম্বনি। অদুবু ঙসিদি হায়রিবা শেনফমদুনা কোন্নরক্তুবদগী অচৌবা শেনফম কয়া আর্টিষ্টশিংগীদমক পুর- লংলগা পীদুনা মণিপুর সরকারনা ষ্টেট অসিগী মনুং, মপান অমদি ফোরেন কন্ট্রিশিংদা লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংদা পার্ফের্মেন্স তৌহনবা ঙম্নবা মতম-মতমগী ওইনা শিন্দুনা থারক্লি। মসিগী মথক্তা অমুক মণিপুরগী লৈরিবা আর্ট এন্দ কলরচরগা মরী লৈনবা লুপ কয়ানা মখোয়না চহি অমগী মনুংদা পাঙথোকপা প্রোজেক্টশিংদা শেনফম খরসু পীনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিদা মতম চানা ডিপার্টমেন্ট অসিনা কায়থোক্লিবা শেনফম অদু মতম চানা ফংহনফম থোকপা লুপশিংদা মমাঙগী চহি খরদা ফংহন্বা ঙমখিদে। মসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কলচরেল পোলিসি অমা শেম্বা ঙমদবদগী থোকপনি হায়বসি করিগুম্বা মওং অমত্তদা লানগদবা লৈতে। ঙসি ফোংদোক্লিবা ৱাফমসিদি মণিপুরদা লৈবা আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা লুপ খুদিংমক্লা খঙলবা ঙাক্তনি। নুংঙাইরিবদি চহি অমগী মনুংদা মণিপুর সরকারগী তোঙান-তোঙানবা ডিপার্টমেন্টশিংনা পাঙথোকপা নেসনেল লেভেল নত্রগা ষ্টেট লেভেল ফঙ্কসনশিংদা কলচরেল আইটেম কয়া পাঙথোক্লিবা অসিদা আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টনা স্পোন্সর তৌবা প্রোগ্রাম অমা ফাওবা শিনবা ঙমদবা অসিনি। চহি চুপ্পা ষ্টেটকী থাক্তা শিনগদবা প্রোগ্রামশিং অদু নত্তনা হায়বদি ডিপার্টমেন্টকী ওইবা প্রোজেক্টশিং অদু নত্তবা ষ্টেট ডিপার্টমেন্ট মশানা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মখাদা মতিক চাবা প্রোগ্রাম অমত্তা ডিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী শিনবা ঙমদে। মসিনা তাকপদি ষ্টেট ডিপার্টমেন্ট অসিদা সরকারনা শেল থাদদে হায়বনি। মদু ওইবা তারগদি মণিপুর সরকার পায়রিবশিংনা মণিপুরগী কলচর অমসুং মখল কয়াগী আর্টশিং অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা খঙদে অমসুং থৌশাদে হায়না লৌবা য়াই। মসিগী মতাংদা ওইরক্লিবনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মখাদা পায়খৎলকপা জে এন এম দি এ না পায়খৎপা থৌরাংশিংগী মখাদা পাঙথোক্লিবা প্রোজেক্টশিংগী প্রোগ্রামশিং অসিনা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী ডিপার্টমেন্টনা শিনবা থৌশিলশিংদগী হেনগৎলক্লিবা অসিনি। মসিদসু চয়েৎনবা কয়া অমা লৈরি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা পাঙথোক্লিবা প্রোজেক্টশিংগী প্রোগ্রামশিং অসি মশিং য়াল্লবা মণিপুরগী লৈরিবা ত্রাইবেল অমদি নন-ত্রাইবেলশিংগী কলচরেল হেরিটেজশিং অদু চপ চানা ঙসিসু পুথোকপা ঙমদে। মসি ষ্টেট ডিপার্টমেন্টকী অশোনবনি অমসুং মসিদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শেল থাদবা ৱাৎপা অমসুং য়েংশিন্দবদগী থোকপা ঙাক্তনি হায়বসি চীন কাঙথোকপা ঙমদ্রবা ডিপার্টমেন্টকী হেড ওইরম্বশিং অমদি ওইরিবশিংনা খঙফম থোকই। মদু মতম চানা সরকারনা য়েংশিল্লম্বা তারগদি মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদদি কলচরগী হেরিটেজনা ৱাংবা মরম্না থোইদোক-হেন্দোক্লা শেনফম কয়া অমা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতগী লৌহৌবা য়াবনি। অমরোমদনা নেগ্লিজেন্স কয়া অমা ডিপার্টমেন্ট পায়রিবশিংদসু লৈবা অদুগা সরকারগী শেল থুমগী ফত্তবা তাঞ্জা কয়া অমা লাকখিবদগী হায়রিবা ডিপার্টমেন্ট অসি মতু শোনবা ডিপার্টমেন্ট অমা ওইনা শাংলবা চহি কয়া অসি লাকখিবনি। চহি চুপ্পা তোঙান-তোঙানবা নাৎশিংগা মরী লৈনবা ষ্টেটকী ফেষ্টিভেলশিং মরক-মরক্তা পাঙথোকপাঙমবা তারগদি অমসুং মদু শিনবা ঙমনবা ডিপার্টমেন্টতা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা শেনফমশিং অসি থাদদুনা পাঙথোকপা তারম্লগদি সরকার অসিবু আর্টিষ্টশিংনা থোইনা হেন্না থাগৎলমগদবনি। মদু নত্তবনিনা নংহৌরোইদবা মতাগুম চহিগী লোইশিল্লকপা মতমদা মিনিষ্ট্রিনাথাদরকপা শেনফমশিং অদু চহি লোয়রমদাইদা পুন্না শেনফম পুম্বা লোয়শিন্নবা হোৎনবদগী ঙসিদি মণিপুরদা লৈজরিবা আর্ট ফোর্ম কয়া অসি মথং-মথং শিজিল্লক্নবগী মরম ওইরৱা হায়বসিমসু কলচর ডিপার্টমেন্টশিংনা মুন্না থিজিনফম থোকপ্রা হায়বসি খঙ্গহন্নিংই। চহি লোয়রমদাইদা মিনিষ্ট্রিগী শেনফম থাদরকপশিং অদু লোয়শিন্নবা হোৎনবনদি মণিপুরগী পার্ফোর্মিং আর্টশিং অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি নিংদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### কান্নদবদা ইরাং শাগৎলগনু

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

তশেংনা হৌজিক চত্থরিবা থৌওংসি ইকায় খাংদগী কঙ কোৎপা হায়বদুনি। য়াম্না ইকায়নিংঙাইনি কনানসু করিমত্তা হায়দ্রিঙৈ চুম্নগী ইমুং মনুংগী ৱারী শাবশিদা মীং মান্নে হায়বা মওং মশানা হুরান্বা মশক তাকচরকপসি। মীতৈ জাতিসি য়াম্না ফৈ , ফত্তে অদুবু মীনুংশি খংবা মসিসু নুপী হায়বা কাংলুপশিং অসিনা খ্বাইদগী হেল্লি। অতৈ কাংলুপশিংদদি নুপীশিংনা তুমিন তুমিন লৈবা অসিনি। মীতৈ নুপী কয়াসু রানী গাইডেলু অসিদগী হেন্না মীয়ামগী সেবাদা মরিপুর কন্নবগী থৌদাং লৌরম্বশিং কনানসু নিংশিংবীদনা লৈবসু কয়ানি। হন্দক সেন্তরদা বি জে পী সরকার লাকখিবদগী লান্বা চুম্বা চৎনবা য়াবা য়াদবা লৈরম লৈরম্বা রং তৈশিন্বগী থৌওংশিং অরানবসু য়াওগনি লৈবাক কায়বসু থোক্কনি। হৌজিক হৌজিকসু অশোয়বনা মাং থারগা লৈরিবা পীছ একোর্দ অসিসু অমা ওইরিবনি। মীগী শুমাং শিৎকদবগী কনা করি হুইনা করিনো থিবগুম থিরিবশিংগুম্না নাগালেণ্ড মশক নাইবা কয়াগী মরক্তগী কারন ফুবা য়াওরক্লিবসি ঙসি ঙরাংতগী ৱাফম নত্তে। তশেংনা মখোয়দু মী অমনি লৌবা য়াদবা উ লৈতবা মফমদা কেগেনা যুন্বী ওইবদুনি। লোনসু লৈতবা তাংলগা শিংজু ময়ানগুম্বা ধর্ম্মবু মীপান তাংদ্রবদি লৈতবা , ফীজেৎ চাকচা নাৎকী ওইবা লৈতবশিংনা করম্বা হিষ্ট্রি লৈগদৌরিবা? পুম্নমক ভারত সরকারনা নাউ চাওহন্বদগী হৌজিক্তি মখোয়গী ডিমান্দ কয়া অশিবা মী হিঙ্গৎহনগদবনি হায়বা একোর্দ ফ্রেমৱার্ক তৌবা হৌরে। মসিদা চাওরবা দল অমনা কাংলুপ অমা থেমনবনি হায়দুনা নুংগী অশোয়বশিং য়েংলমদনা পানগী ফিজেৎ ফজবা শক ফজবদুদা নুপীনি লৌরুবা হায়বগুম্না অচুম্বা ওইরোই। হৌজিক ইচং থৌবা অচুম্বা শাদুনা চুরাচান্দপুরগী মীওই খরনা দিল্লিদা শাগৈগী ইচিন-ইনাও মরী মতাগুম্না উন্ননবা ঙাইরিকা হায়রিবসি নখোয় বর্ম্মদগী লাকপা মীতোপা নত্তে, বর্ম্মদা নখোয়গী মরী মতা লৈবগী চহি মতম শাংনা লৈরুবনি হায়গদৌরিবা? হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে, তোম্বুং নখোল খংই নফি য়োমলগা হল্লো নরমদা।

অদোমগী,
ননাও মীতৈ
ইম্ফাল ৱেষ্ট

## পুৱারীগী চাংয়েংদা মণিপুর য়ুবী কোল্লগা কপ্লিৱা

মণিপুরদা য়েলহৌমী কনবগী বিল অহুম মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবগী মায়োক্তা চীংগী লুপ খরনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বিলশিং অদু হন্দোকউ হায়না ঈহৌ চঙশিল্লকখিবদগী ওইরক্লিবা মণিপুরগী খুন্নাই অমসুং লৈশেম্লোনগী ফিভমশিং অসি শাথিবা মাঙ-তাকপগী মশক ওইরকখ্রে। অমুক হন্না শেমজিন-শাজিন্বা ৱাবগী চাংদা লাকখ্রে।অসুক্কী মতিক শাথিনা য়ানিংদবগী খোঙথাং লাক্কনি হায়বা থাজরুদে। মসিদা লুরিবা ৱাফমদি, বিল অসি করিগুম্বদা হন্দোক্লবা ফাওবদা চীংগী লুচিংবা খরনা চীংমী লুচিংবা খরনা চীংমী মীয়ামগী মিংদা হৌরিবা ঈহৌ অসিদি হন্দোকপগী ৱাফম লৈতবগুম্না তৌরি। মসিনা তাকপদি, জিওপোলিটিক্সকী অরোন্বা এজেন্দা চত্থনবগী পাম্বে অদু বিল অহুমদা তাইনরিৱা হায়বসিনি। মীৎয়েং অসিবু চেকশিলহল্লিবদি, বিল অসিনা চীংমীশিংদা শোক্কদবা করিগুম্বা য়াওরবদি পুন্না ফম্মিন্নরগা শেমদোকমিন্নসি হায়না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হন্না-হন্না হায়রবা ফাওবদা লাকখিদবা থৌওং অসিনা অরোন্বা এজেন্দা অসিবু চিংনবা হেলহল্লি। মমৈথংদদি ওইথোকপা য়াররোইদবা মওংদা, বিল অদু হন্দোক্লবতদা ৱারী শান্নবগী অয়াবা পীরকখিবনি। মণিপুরগী মীয়াম্না থা কয়া চুপ্পা ঈহৌ তৌরকপগী মহয় ওইনা ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌরগা ময়োল লৈঙাক্কী টেবলদা থাখ্রবা বিল অদুবু হন্দোকহন্বা হায়বসিদি ওইথোকপা য়াররোইদবা ৱাফম ওইরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা ওইথোকপা য়াদ্রবা দিমান্দ তাল্লকপা অসিগী মরুমদা জিওপোলিটিক্সনা ঈনোৎ হাপ্পা মরম্না দিমান্দ অদু লাল্লবসু খোমজিন-তাশিন্বা য়াবগী ফিভম লাক্লি। মখোয়গী অরোনবা এজেন্দা অদু খন্নরশি, টেবলদা ৱারী শামিন্নসি হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা ৱা হৌদোকখ্রে, থবক ওইনা চঙশিন্বা হৌখ্রে। মসিনা তাকপদি, মখোয়না বিল অহুমগী মায়োক্তা চঙশিল্লম্বা য়ানিংদবগী খোঙজং অদুগী মরুমদা জিওপোলিটিক্স লৈরে হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। ইঠনিক পোলিটিক্সগী য়ুম্ফমদা মণিপুর থুগাইবগী মশক থীবা শক্লোন অদু উৎথোকরক্লি।

কুকি জিওপোলিটিক্সদি বৃটিশগী অচৌবা ঈথিল লৈরম্লবসু, অদুক হাক্লা মরা চেৎনা লৈরম্বদি নত্তে। মণিপুরগী অপুন্বা শক্তম ঙাক্লা লৈরকপনা কুকিশিংগী পুৱারী ওইরকখিবনি। মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপদা অমসুং নুংশি চান্নবগী মরীদা মখোয়বু থাজদবা লৈরমদবনি। ৱাফম অসিনা ঙসিগী কুকি মীয়াম পুন্না অপুন্বা শক্তমগী মায়োক্তা লৈরে হায়বদি নত্তে। লানহৌলুপ খরনা লুচিংদুনা বিল অহুমগী তান কায়বা মতমসিদা হৌরকখিবনি হায়বসিদি পঙলান লাল্লরোইদবা ৱাফমনি। মসিনা তাকপদি, মণিপুরগী অপুন্বা শক্তমদা শোকপা য়ুবা জিওপোলিটিক্স অদুমক কুকিশিংনা চত্থরকপদা অতৈ পান্দম খরনা মন্তিক্লবা ঙম্ফম থোকই হায়বসিনি। তোপ-তোপ্পা শক্লোন ওইনা হন্দক মোরে অমসুং চুরাচান্দপুরদা থোকখ্রিবা হিংশা অদুগা জিওপোলিটিক্সকা মরী লৈনখিদে। অদুবু মমৈথংদদি, জিওপোলিটিক্স তৌবা এন এস সি এন ( আই এম) গা চংশিমিন্নবা কে এন ও না ঈথিল পীবদা লায়না থোকখিবগী তাঞ্জা অমা ফংহনখিবদগী চুরাচান্দপুর মীয়ামগী ঈহৌনা জিওপোলিটিক্স তৌবগী মায়কৈদা চৎপা তাখিবনি। মরম অদুনা, মীশিং য়ান্বা ফুরুপকী থৌদাং চপ চানা লৌদুনা মতম চানা খোমজিন-তাশিন্বা হৈরবদি, কুকি ঈহৌনা লৈবাক্কী পাফল ৱাংমদা চৎখিবা তৌরোই হায়বা য়াই। অদুবু পনখৈদি লৈগনি, মদুগী ৱাংমদা মীৎকুপ অমত্তংনা শানিংবদা শারিবা লৈবাক লৈখোম অদুবুদি কংহনখ্রগনি।

অৱাং নোংপোক্তা অনৌবা নেসনেলিজম নৌহৌনা শাগৎতুনা লৈশেম্লোনগী ওইবা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনরিবা এন এস সি এন (আই এম) না অকন্বা ঈথিল ঈনোৎ পীদুনা কুকি লুচিংবা খরবু পোলিটিকেল প্রোসেস তৌহন্নবা হোৎনরি হায়বসিদি লান্দ্রবনি। ইন্দিয়াগী লান্মীনা ট্রেনিংগী খুদোংচাবা পীরিবা কুকি লানহৌলুপ্না এন এস সি এন (আই এম) গা খুৎশম্ননা চৎমিন্নবা অমসুং এন্টি মণিপুরগী পান্দম লল্লোনমিন্নবা ঙম্বা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। অনিমক্কী অফবা তাঞ্জাদু হন্দক থোকহনখিবগী ৱাদনি। মসিদা ঐখোয়না য়েৎশিনফম থোকপদি, থৌদোকশিং অসিগী মরুমদা মীয়ামবু অমসুং লৈঙাকপু মায়ওন পীবা ঙম্বা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট ইন্টেল্লিজেন্স এজেন্সিস নত্রগা মীশক মীওইশিং য়াওরম্বা য়াই। মখোয় য়াওখিবা হায়বসি ঈহৌ অদু অদুক্কী মতিক শাফু লৈরবনি, পান্দমদু চাদা চাম্মা ফংদ্রবসু খরদি ফংদবা য়াদবগী ফিভম লৈহন্বা ঙম্বনি।

> হাওবা

নাগা নেসনেললিজম পুৱারীদা অনৌবা মায়ওল চুমদুনা অশেংবা পান্দম খরদং ওইরবসু, ফংলগনি হায়না থাজনরিবা এন এস সি এন (আই এম) গী খোঙথাং অসি অখঙ-অহৈশিং মরুওইনা ইন্টেল্লিজেন্স এজেন্সি নত্রগা মীওইশিংগী খুদোল য়াওরবনি হায়না লৌনরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয়না মহৌশাগী চাউবা তোম্বখক ওইনা উদুনা লৈরোইদবনি। মখোয়গী মরুমদা লৈরিবা পাঙ্গলশিং অদু ঈপাক ঈরোন্নুংদা লুপতুনা লৈবা উনপাক্তুম্না উগদবনি। ঐখোয়গী হৈনবী ওইবা 'দিফেন্সিব লাইন' অসিনা মায় পাক্কদবা লৈত্রবনি।

হন্দক্কী আগষ্ট ৩, ২০১৫ দা নাগা লানহৌবগী ফ্রেমৱার্ক খুৎয়েক পীনখিবা থৌদোক মমাঙ অমসুং মতুংদা ইন্দিয়াগী ইন্টেল্লিজেন্সগী মীওইশিংদা নত্তনা মপান লৈবাক্তগী অখঙ-অহৈশিংনা দিল্লিদা লাক্তুনা নাগা দাইলোগ মহয় য়ালহন্নবা কন্না হোৎনবা মীয়াম্না উনখি।শক্লাইরবা মীওইশিংগী মনুংদা সান ফ্রান্সিস্কোগী গোল্ডন গেট য়ুনিভর্সিটিদা ইন্টর্নেসনেল লোগী প্রোফেসার মায়কেল ভোন লাল্ট প্রাগ, কেনিয়ান একাদেমিক ওফ কনষ্টিট্যুসনেল লোগী প্রোঃ য়াস ঘাই অমসুং অষ্ট্রেলিয়ান নেসনেল য়ুনিভর্সিটিদা লোগী প্রোফেসার ওইবা এন্থোনি রিগানসু য়াওরকখি। মখোয়না নাগা অমসুং সেন্টরগী মরুওইনা এন এস সি এন (আই এম) না সেন্টরগা লৈনবা মরীদা অমসুং পান্দমগী অকুপ্পা ৱাফমশিং পুথোকপগী চাউরবা থৌদাং লৌরি।

নাগা ঈহৌগী পুৱারীদা থোইদোক্লা শীংথাবা য়াবদি, এন এস সি এন (আই এম)গী লুচিংবশিংবু ইং ১৯৯৫ পেরিসদা উন্নখিবা অমসুং চহি অনি লৈরবা মতুংদা 'সিজ ফায়র' তৌখিবা অরুবা থৌদোকশিং অসি ইন্টেল্লিজেন্সকী খুৎ ঙাক্তনি। নাগা শন্তি (দাইলোগ) কী অহান্বা মীফমদি ইং ১৯৯৭ আগষ্ট থাদা বেঙ্কোক্তা মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা শৌগৎনরগা পাঙথোকখিবনি, মথংদা আমষ্টদার্ম, পেরিস, জিনেভা, দিল্লিদা পাঙথোকখি। এন এস সি এন (আই এম) অমসুং ইন্দিয়াগা শানরিবা শান্তি ৱারী অসি মালেমগী থাক্তা ওইরকপা অমসুং নোংপোক য়েংবা থৌশিলগী মরুওইবা শরুক অমা ওইনা চত্থরকপা মরম্না পান্দম ফংদনা তোক্লোই হায়না লৌনরি।

শক্লোন অসিনা ইঠনিক পোলিটিক্স তৌনবগী লম্বী চাউনা ফাৎলি। আই এমগী নাগা ঈহৌনা মায় পাক্লা পান্দম তান্না চঙশিল্লকপদা অতৈ ফুরুপশিংদা অচৌবা ঈথিল পীরি। মসিমক্লা কুকি লানহৌ লুপ খরনা লুচিংদুনা পোলিটিক্স তৌরকপনি।

অসিগুম্বা শক্লোন অসি মশিং য়ান্বা মৈতৈ-মীতৈশিং য়াওনা মণিপুরীশিংগী মাঙদা তারিবা লুরবা ৱাফমনি। ঐখোয়না তত্তনা নিংশিংফম থোকপদি, এন্টি মণিপুরগী থৌওংনা মনুং অমসুং মপান্দগী মীৎকুপ খুদিংগী লান্দারক্লি অদুগা ঐখোয়না মতম মতমগী ওইনা ঙাকথোকপগী ফিভমদা লৈরি, মসিমক্তি শোনমল্লি। হৌজিক্তিঃ ঙাকথোকপগী মহুত্তা তীনকোক-লাইকোকপগী ৱাখৈরোল পীবা চুম্লে। ঐখোয়না য়ামদ্রবদা খোঙথাং অনিমক হায়বদি ঃ-(১) মতম-মতমগী ওইবা অমসুং (২) তুংকোইবা মীৎয়েংদা খোঙথাং পীবা তঙায়ফদ্রে। নাৎ, খুন্নাইরোল, শেন্মীৎলোন অমসুং লৈশেম্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা চেকশিন্বা খোঙথাংগা লোয়ননা হোৎনবা চুম্লে। লুরিবদি খোঙথাং অসি থাংদ্রিঙৈদা, ঐখোয়না অনৌবা মীৎয়েংগা লোয়ননা কয়ামুক চুম্না চৎপা ঙমগদৌরিবনো, ঐখোয়গী ইরক্তা খাইবুং-খাইবুংনবা লৈতনা করম্না অপুন্বা খোঙথাং থাংমিন্নগদগে অমসুং মীয়ামগী ওইবা ফিরেপ লৌদুনা পান্দম মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগী ৱাশক অমসুং থবক ওন্থোকপগী পাঙ্গল মপু ওইবা ঙমগদ্রা হায়বসি ঐখোয়গী ৱাহং ওইরি। হায়রিবা মতিক মঙানশিং অসি চেন্দবনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরনা য়ুবী কোল্লগা কপ্লিৱা হায়বগী ৱাহং লাক্লে।

## মণিপুরদা কলচর তৌজরিবা আর্ষ্টিশশিংগী মরাইবক

মণিপুরদা কলচরবু য়োকখৎপীগনি হায়দুনা মণিপুর গভর্নমেন্টনা অর্ট এন্ট কলচর দিপার্টমেন্ট লিংখৎপীদুনা মসিগী মখাদা গভর্নমেন্ট দ্রান্স কোলেজ, ইম্ফাল অর্ট কোলেজ অমদি বালমুকুন্দা দেব মুজিক কোলেজ থমবিরি, অমরোমদা সঙ্গিৎ নাটক একাদমি, নিউ দিল্লি গী মখাদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দ্রন্স একাদেমী, ইম্ফাল থমবিরি লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মণিপুরী দ্রন্স দিপার্টমেন্ট হাংবিদুনা মাহৈরোয় কয়া অমা মাহৈ-মশিং তামবিরি। মতম অসিদা থামজনিংলিবা ৱাফমদি (১) জে এন মণিপুর দ্রান্স একাদেবী, ইম্ফাল (২) গভর্নমেন্ট দ্রান্স কোলেজ (৩) ইম্ফাল অর্ট কোলেজ (৪) বালমুকুন্দা দেব মুজিক কোলেজ অমদি (৫) দান্স দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভসিটি হায়রিবা ইষ্টিট্যুসন ময়াম অসিদগী পাস অওত তৌখ্রবা মতুংদা মাহৈরোই ময়াম মসিবু মফম কদাইদা কলচরবু য়োকখৎবগী তাঞ্জা পীবিরিবগে অমদি থবক চংফম মণিপুর গভর্নমেন্টনা শিনবিরবগে হায়বগী ৱাহং অসি ঙসি ফাওবদা মণিপুর গভর্নমেন্টকী মফমদা হংদুনা লাক্লি।

মণিপুর গভর্নমেন্টনা কলচরগী মরমদা অর্টিষ্ট কয়া অমা নেসনেল এৱার্দ কয়া অমা ফংদুনা লাকলবসু ঙসি ফাওবদা খুদোংচাবা অমফাওবা পীবিদ্রি। কলচরবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর না মণিপুরদা লৈরিবা কলচরেল ওর্গনাইজেসন কয়া অমা সেলেরি গ্রান্ট, প্রদক্সন গ্রান্ট পীবিদুনা খুদোংচাবা কয়া অমা পিবিদুনা লাক্লি। অদুবু মণিপুর গভর্নমেন্টনদি ঙসি ফাওবদা করি অমত্তা তৌবিদে হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। মসি হায়রুরগা ঐখোয়সু অর্টিষ্টশিংগীদমক থবক থৌরম কয়া অমা পায়খৎলি হায়দুনা প্রেস মেদিয়াগী খুৎথাংদা পংলাওদা লাওরি। অদুবু তশেংবদি করিমতা তৌবিদে হায়বগী প্রমাণ মখাদা পীজগে. দিপার্টমেন্ট ওফ অর্ট এন্দ কলচর না তৌদা য়াদবগী চহিগী ওইবা কলচররেল ফঙ্কসন গ্রান্ট স্কিম কয়া অমা মণিপুরদা লৈরিবা কলচররেল ওর্গনাইজেসনশিংদা খুদোংচাবা পীবিরি. হায়রিবা গ্রান্ট অসিদা মণিপুরগী কলচররেল ওর্গনাইজেসন শিংদা চহি অমদা কলচররেল বু য়োককৎনবনি হায়দুনা লুপা ১৫,০০০ দগী লুপা ৩০,০০০ ফাওবা পিরিবা অসিনবু করম্না মণিপুর কলচররেল বু য়োকখৎপা ঙমগদৌরিবনো? মসিদি মখোয়না পীরিরক্লিবা সেনফমশিং অসিনা কলচররেল ওর্গনাইজেসনশিংদা করেমনবা ওইনা থোকহল্লে।

অমরোমদা মণিপুর ষ্টেট কালা একদেমীনা চহি খুদিংগী অৱার্দ কয়া অমা পীবিরি অদুবু এৱার্দ কয়া অসিবু ফংবা য়াবা ওঝা কয়া অমা ফংদনা পুন্সি লোমখিবানা অয়ামবনি, মসিগী মরমদি এম এস কে এ না এৱার্দ রিকম্মেন্সেসন থবা মতমদা হান্না এৱার্দ ফংখ্রবা এৱারদি শিংদা রিকম্মেন্দ তৌরকনবা থায় অদুবু এৱদিশিং অদুনা মাগী মাগী খুঙনা চানবা থীরিঙৈদা মতিক চারবা কয়া অমদি ফংদনা শিখিবনা হানখিবগী ৱারি কয়া অমসু ময়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি, । মীচং শঙ্গা লৈতবা মীদি এৱার্দ ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্নরি, লোয়ননা অর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎনবনি হায়দুনা এম এস কে এ না চহি খুদিংগী অহল ওইরবা ওঝাশিংদা পেন্সন স্কিমগী খুৎথাংদা থা-থাগী লুপা ৩০০ পীবিরি অদুবু হৌজিক্কী মতমদবু লুপা ৩০০ না করিবু তৌদুনা কলচররেল য়োকখৎকদৌরিবনো।

-বিসান্ত ক্ষেত্রিময়ুম
মথং মথং...

#### থৌই থৌইবা ৱা

#### খোইরেনগী মপাও

## ডাক্তারগী থম্মোয়সু ওপরেসন মথৌ তারৱা

ডাক্তর নত্রগা নর্সশিংনা অনাবা কয়া অমা ওপরেসন তৌদুনা হকচাংগী অনাবা ফনবা হোৎনবি। মসিগীদমক ডাক্তরশিংবু অনাবা কাংবুনা ঈশ্বরনি হায়দুনা ইকায় খুম্নরিবনি। অসিগুম্বা ইকায় খুম্নজরবা ডাক্তরশিংগী থম্মোয়দা মীনুংশি অমদি চেকশিন্বগী ৱাখল্লোন য়াওরক্তবা মতমদা ৱারিবসি অনাবা কাংবুনি। ডাক্তর খক্তনা অনাববু ফনবা ওপরেসন তৌবগী মথক্তা ডাক্তরশিংসু মখোয়গী মশাদা ৱাৎলিবা মিনুংশি অমদি চেকশিন্বা হায়বা কয়াৎ খরা হাপচিনবা মথৌ তাই। অফাওবা ফাগী তৌবা খুৎশুৱান্ট সিংহনা হায়বদা মন্ত্রি, এম এল এ শিংদা ওপরেসন তৌবনা খ্বাইদগী অরাইবনি হায়। মখোয়দা মীওইবগী মরুওইবা কয়াৎ খরা য়াওদে। মরুওইবা কয়াৎ য়াওদবা এম এল এ, মন্ত্রিদা ওপরেসন তৌবসি ডাক্তরগী ওইনদি খ্বাইদগী লায়বা ওপরেসন্নি। ঐখোয়গী মণিপুরদদি এম এল এ, মন্ত্রি খক্তা নত্তনা ডাক্তর খুদিংমকসু ওপরেসন তৌদুনা অৱাৎপা হকচাংগী কয়াৎ খরা হাপচিন্বা হায়বসিনা পুম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি। নর্স ওইবশিং খুদিংমক ওপরেসন তৌদুনা মীওইবগী মীনুংশি পোক্লিবা থম্মোয় হায়বা কয়াৎ অসি হাপচিন্বা তঙাইফদে। ঐখোয়গী ডাক্তরশিংদনা ৱাখল খন্বা ঙম্বা কোক্কী শরুক্তা য়াওবা ব্রেন, কাওদবা ঙম্বা শরুক খরা হাপচিন্বা হায়বসি মতমসিদা খ্বাইদগী মরুওইরে। ৱাহৈশি ইচম চম্না হায়জবা নত্তে। খুম্বোংময়ুমগী মৌ অমা অঙাং উনরবা মতুং নুমিৎ তরানি লৈরগা মশা নুংঙাইত্রে হায়দুনা চেক চৎলুবদা হকচাং মনুংদা লশিং য়াওরমই হায়। মখোয়গী ৱাদু অতাবা কাংবুনা মশাদা থোক্তবনিনা লুনা খল্লুদ্রবসু হন্দক ঐগী ইমৌনুপীনা নুংশিরবা ইশুনুপী অমা ফংবগী নুংঙাইবগা লোয়ননা রিমসুগী হল্লক্তুনা ইপান থাখ্রবা মতুংদা মশা রুকী

ত



হেল্থ সেন্টরদা

য়েংলুবদা খুম্বোংময়ুমগী অদুগা চপ মান্ননা লশিং য়াওনা হকচাংদা লৈরম্বদা ঐখোয়গী ডাক্তরশিংবু নর্সকা লোয়ননা ওপরেসন তৌদুনা অৱাৎপা হকচাংগী শরুক খরা মখোয়দা লৈরিবসি হাপচিনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি লাকপনি। লাইরিক হৈবা ডাক্তরনা ইচম-চমজবা অনাবদা ওপরেসন তৌবদি য়াম্না লুই। ঈ থোকপা হেন্নদগীসু অনাবদু মপুন্সি লোইখিবা য়ারিবনি। মরুওইবা থম্মোয়গী শিংলি অমা শোকখিবদা, মরুওইবা ব্রেনগী শিংলি অমা ককখিবদা অনাবদু পুন্সিগী ওইনা শোইনাইরবা নত্রগা লৈখিদ্রবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মরম পুম্নমকসি লৈবনা ওপরেসন তৌবদা খ্বাইদগী লায়গদবা মীশকসি হকচাংগী কয়াৎ শুনা য়াওদবা মীওই অদুনা ওইগনি। ডাক্তরনা প্রজাবু নারক্লবা মতমদা ওপরেসন তৌবদা লুরিবসি হকচাংগী কয়াৎ শুনা য়াওবদগীনি। ডাক্তর মক নত্রবসু ইচম চমজবা ঐখোয়না ইরায় লায়না ওপরেসন তৌদুনা অৱাৎপা হকচাংগী শরুক খরা হাপচিন্বা তঙাইফদ্রিবসি ঐখোয়গী লাইগুল্লবা ডাক্তরশিংনি । মখোয়সি অথৌবা হোরাই অমনা লেল্লগা মবুক, মকোক হাংদোকপা মতমদা ইহাং হাংনা লৈরমগদবনিনা শোইগনি হায়বগী কিনিঙাই করিমতা লৈতে। চেকশিনদবদগী ককখিগদবা থম্মোয়গী শিংলি অমতা মখোয়দা য়াওদবনিনা লাইরিক হৈহৌদবা ঐখোয়নসু লাইরিক হৈবা ডাক্তর খুদিংমক ওপরেসন তৌবদা ইরায় লায়গনি। ডাক্তর, নর্সশিংসু ঐখোয়দৌনা হকচাংগী মনুংদা মরুওইবা কয়াৎ শুনা য়াওনবা ওপরেসন তৌদুনা অৱাৎপা হকচাংগী কয়াৎ খরা হপচিন্বা হায়বসিনা পুম্নমক্কী অফবা ওইগদৌরিবনি। এম এল এ, মন্ত্রি ওইবশিংদা মীনুংশিগী ৱাখল পোক্লিবা থম্মোয় ৱাৎলিবসি হাপচিনদ্রিঙৈদা অনাবা ময়ামগী পুন্সি কনগদৌরিবা ডাক্তর, নর্সশিংদা ৱাৎলিবা মীওইবগী মীনুংশি পোক্লিবা থম্মোয়, চেকশিনগদবা ৱাখল খন্নবা ব্রেন ৱাৎলিবসি হান্না হাপচিনবনা মীওই কয়া অমগী পুন্সি কনবা ঙমগনি। অনাবা কাংবুনা ৱাখল খনবদগী শাওনিংবা পোক্লিবা ডাক্তর, নর্সশিং পুম্নমক্তা প্রজাশিংনা ওপরেসন তৌদুনা ব্রেন অমসুং থম্মোয় হাপচিল্লবদি অনাবা কাংবুগা ডাক্তরগা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎকনি। ইমৌ নুপীনা ইশু উনবগী থৌদাং রিমসতা লৌরগা য়ুমদা হল্লক্লবা মতুংদা মশা নুংঙাইতে হায়দুনা হেল্ঠ সেন্টরদা য়েংলুবদা লশিংনা ইমৌগী মশা নুংঙাইতনবগী মরম ওইরমবসি রিমসকী ডাক্তরগী কোক্কী শরুক্তা ব্রেন য়াওরম্লবদি ফরমগদবনি। ঐগী ইমৌগীদি ৱাকৎচদ্রে। অসিগুম্বা ৱাকৎ লাক্তবা ময়াম অমা হৌখিবনিনা ঐখোয়গী ডাক্তর অমদি নর্সশিংদা ওপরেসন তৌফম থোকই হায়বসি লৈবাক্কী ৱা ওইনা খঙনদবনি। লৈবাক্লা খঙনদবদগী ডাক্তরবু ওপরেসন তৌনবা থৌরাংসু লৈতবনি। থেংনরুরবা ঐনা থম্মোয় শেংনা ঐখোয়গী ডাক্তরশিং অমসুং নর্সশিং ওপরেসন তৌদুনা মখোয়দা ৱাৎলিবা হকচাংগী কয়াৎ, থম্মোয় অমদি ব্রেন হাপচিনগদবনি হায়দুনা নোল্লুকচরি। ডাক্তরদা হায়খ্রে হায়দুনা এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা থোইদোক্লা চিংননিংঙাই লৈতে মখোয়সু ওপরেসন দরকার ওইরিবা কাংবুনি।